# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-01-2025)**

**সংসদ ঃ** সংসদকী বজেট মীফম রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী ভাষনগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগনি।

রাষ্ট্রপতিগী ভাষন হেক লোইবগা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লোক সভা অমসং রাজ্য সভাদা ইকোনোমিক সর্ভে পুথোক্কনি। রাষ্ট্রপতিগী ভাষনগী থাগৎপগী মোসন নিংথৌকাবা নুমিৎতা খন্নগনি। সংসদগী মীফম মথং থাগী ১৩ ফাওবা চথগনি। মীফম অসিগী অনিসুবা তাঙ্ককা মার্চ ১০ দগী হৌরগা এপ্রিল ৪ ফাওবা চথগনি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফল অমদি মনিপুর পুলিসনা নেসনেল হায়ৱে ১০২ গী ফয়েং চৎপা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা আইননা থিংখ্রবা প্রিপাক (প্রো) গীনি চিংনবা মীওই অনি ফারে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওই অনি অদু মনিপুর পুলিসতা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, ককচিং জিলাদগীসু অসাম রাইফলসনা লুপা লিশিং ২০ লোমগী ওইগদবা য়ুঙাং বোটল ১০৮ ফাগৎখি। ফগৎলবা য়ুশিং অদু পল্লেনগী এক্সাইজ ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-থৌবাল অমসুং নেসনেল লেপ্রোসি ইরাদিগেসন প্রোগ্রাম থৌবালনা পুন্না শিনদুনা নুমিৎ ১৪ চথগদবা স্পাস লেপ্রোসি এৱারনেস কেম্পেইন ২০২৫ থৌরম ঙরাং থৌবাল জিলাগী তেন্থা খোংবালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী ৱার্ড মেম্বর অমদি দিষ্ট্রিক্ট টি.বি.

ওফিসারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী ফোটোতা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবসু উৎখি। চহি খুদিংগী জানুৱারী ৩০ অসিবু ৱার্ল্ড লেপ্রোসি ডে হায়না পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মীয়ামনা স্পেসকা লমদা হেন্না পুকিং চংশিল্লসি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা স্পেসকী লমদা খুমাং য়াংশিল্লি। ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবদা পুন্না সেটিলাইট ৪৫৭ থাগৎপা ঙমখ্রে। হায়রিবা মতম অসিদা মপান লৈবাক্কী সেটিলাইট ৩৯৮ অমসু ভারতনা থাগৎখ্রে।

**মীতিংঃ** লৈবাক অসিগী রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী লেবর মন্ত্রিশিং অমসুং সেক্রেটরিশিংগী নুমিৎ নিনি চথুরকপা জাতি থাক্কী মীফম ন্যু দিল্লিদা ঙরাং লোয়শিনখ্রে।

মীফম অদু কেন্দ্রগী লেবর অমসুং ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন দাভিয়ানা সভাপতি ওইখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা: মন্দাভিয়ানা হায়-মহাক্কী মন্ত্রালয়না রাজ্য সরকারশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগা পুন্না থবক তৌমীন্নদুনা শিন্মীশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি। বিল্ডিং এন্দ কন্সত্রক্সন ৱাকরশিংগী চাউখৎ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি সরকারনা খ্বাইদগী মাংজিল থানা চথুগদবা থবক অমনি।

মীফম অদুদা শিন্মীশিংগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং-অহল ওইরগা পেন্সন ফংহনবা, হকশেলগী ফিভম ফনা থম্বা, ইন্সুরেন্সকী খুদোংচাবা ফংহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগা ন্যু দিল্লিদা তোঙান তোঙানবা কলেজশিংগী মহৈরোইশিংগা নহাশিংগী ওইবা ভিক্সিত ভারতকী থৌরম অমদা হকথেংননা উন্নখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-নহাশিং য়াওদনা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহনবা ঙমলোই। মহাকা হায়-মসিগীদমক নহাশিংবু তোঙান তোঙানবা মহৈ-মশিংগী লমশিংদা খঙহন হৈহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

নহা ওইরিবা মহৈরোইশিংনসু মহৈ মশিংগী লমদা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা লৈবাক অসিবু ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনরসি। লৈবাক অসিগী তুংগী লন্বী নহাশিংগী ৱাখল্লোননা পুগদৌরিবনি।

**অরবিন্দঃ** যামুনা তুরেলদা হু থাদৈ হায়বা ৱাফম ফোংদোকখিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কী ওইবা মরিক চুম্বা ৱাফম পীরকবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা আম আদমি পার্টিগী কনভেন্নর-অরবিন্দ কেজ্রিৱালদা খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা শ্রী কেজ্রিৱালনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৱাহং কয়া হংল্লকখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী কেজ্রিৱালনা হায়-হীরম অসিগা মরী লৈননা ইমোনিয়া য়াওবা তুরেল অদুগী ঈশিং লিক্লি অহুম ইলেক্সন কম্মিসনদা থারগনি। দিল্লিগী মীখলগী মাংওইননা শেল য়েনবগী মতাংদসু কম্মিসনদা পুখৎলগনি।

**গেমস ঃ** উত্তরাখন্দনা চথুরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৬ অমসুং লুপাগী তকমান ৫ পুন্না তকমান ১১ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী অনিশুবা মফমদা লৈরি।

করনাটকনা সনাগী ৭, লুপাগী ৩, শেঞ্জেংগী ২ পুন্না তকমান ১২ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। মহারাস্ত্রানা সনাগী মরি, লুপাগী ১১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৮ পুন্না তকমান ২৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, গেমস অসিদা মনিপুরগী অহানবা সনাগী তকমান ফংখিবা

সরুংবম অথৌবা মীতৈ অনিশুবা সনাগী তকমান ফংদুনা রাজ্য অসিগী ওইনা ত্রাইথলোন মশান্নদা রেকোর্ড থম্বা ঙমখ্রে।

গেমস অসিগী মতাংদা মনিপুর টিমগী চীফ দি মীসন অমসুং মনিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট-মোইরাংথেম রাজচন্দ্রনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-

**ফুটবোল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শিনদুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপীদা চত্থরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ভি.এস. ৱাংজিং অমসুং জে.জে.এফ.সি. থৌবাল পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

**পোলো (এল)ঃ** মপান পাংজৈবুংদা চত্থরিবা দি.জি.এ.আর. মেন্স এন্দ ৱিমেন্স পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা এক্স পোলো ক্লবনা ই.এস.সি. টিম (এ) বু পাঞ্জল ৮-১ দা থোইখি।

অনিশুবা মেটচতা অরবিন্দ পোলো ক্লবনা অসাম রাইফলস মেন্স টিম (এ) বু পাঞ্জল ৮-৬ তা থোইখ্রে।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবগী ৭৭ শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগী সব হেদলাইন ওইনা গভনর, সি.এম. য়াওনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ মনিপুর মেল অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতসু ফোংলি।

মেরিটোরিয়স স্পোর্টস পার্সন ৮০ দা গভরমেন্টকী থবক পীরগনি, অর্জুন এৱার্দি-নাওরেম রোশিবিনা ষ্টেট পুলিসতা দি.এস.পি (স্পোর্টস) হাপখ্রে হায়না

পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

খাঙবোক কেন্দ্রদা সি.এমনা দিবলপমেন্ট প্রোজেক্টশিং লাউথোকখ্রে হায়না মনিপুর ন্যুজতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিগী সব হেদলাইনদা খাঙবোক্তা লুপা লাখ ৩০ চংনা ওপন জিম শারগনি। লুপা লাখ ৫০ চংনা ৱাটর পম্প ইন্সটোলেসন তৌরগনি অমদি ইকোক পাৎ টুরিজম প্রোজেক্টকী লুপা কোতি অমা লাখ ২০ ইয়ার মার্ক তৌখ্রে হায়না ফোংলি।

গভরমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, গভরমেন্ট ওফ মনিপুর অমদি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী ত্রাইপতাইট টোল্ক ৱারেপ অমত্তা লৌবা ঙমখিদ্রে। এপ্রিল ২৫ দা অমুক হন্না ৱারী শান্নগদৌরি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দুবাইদা মনিপুরগী ওর্গানিক আউটলেট অমা হাংলগনি হায়না হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসনগী দাইরেক্তরনা ফোংদোকপা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মনিপুরদা অনিশুবা ঐখোয়গী ইম্ফাল ইন্টরনেসনেল ফিল্ম ফেষ্টিবেল পাঙথোকবা কন্না শেম শারি হায়দুনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী তম্পাক্তা সঙাইপ্রৌ কবুই খুলনা খাইদগী লু-নানবা খুল ওইরে হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-ইন্দিয়ানা লেপ্রোসিনা নাবা মীগী মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা লৈবাক ওইরি হায়না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মনিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-স্পিকর হল্লকখ্রে, জে.দি.য়ুগী বি.জে.পি. ওনখ্রবা এম.এল.এ. মঙাগী দিসক্বালিফিকেসন কেসকী ৱায়েল ফেব্রুৱারী মরিদা পাঙথোক্লগনি হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-ত্রাইপটাইত টোল্ক ঙরাং

সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-আমেরিকাদা পেসেঞ্জর প্লেন অমগা আর্মিগী হেলিকোপ্তু অমগা থেংজিন্নবদা মীওই ৬৪ লৈখিদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরিগা কাংপোকপীগী সি.এস.ওগী মীহুৎশিং উন্নখ্রে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।